# মশাগী পার্টি থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টিদা মীরেপ ওইগদবা এমএলএ ১০ রিজাইন তৌখ্রে

## ইলেক্সন কম্মিসন্না পোলিটিকেল পার্টিশিং দিদি ১সুং এআইআরদা কেম্পেইন তৌবা য়াহনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১১:* মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এ তরা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী টিকেটতা মীখল থেংননবগীদমক এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, এম এল এ শিং অসিগী রিজাইনেসন অদু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনসু অয়াবা পীখ্রে।

এম এল এগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবশিং অদুদি খুরাই কেন্দ্রগী ডাঃ এনজি বিজয়, নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী আরকে অনন্দ, অন্দ্রো কেন্দ্রগী টি ঐচ শ্যামকুমার, ওইনাম কেন্দ্রগী ডাঃ আই ইবোহলবী, ৱাবগাই কেন্দ্রগী ডাঃ উশম দেবেন, তমেংলোং কেন্দ্রগী খাংথুৱানাং পানমৈ, তামৈ কেন্দ্রগী অৱাংবৌ নিয়ুমাই, তদুবী কেন্দ্রগী কে রাইনা অমসুং উখ্রুল কেন্দ্রগী দি সাইজানি।

পনবা য়াবদি, জনুৱারী ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০-শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অসিদা রিজাইন তৌখ্রবা এম এল এ শিং অসি অতোপ্পা পার্টিগী টিকেটতা মীখল থেংননবগীদমক মখোয় মখোয়গী মীরেপ-চেশিং পীশিন্নখ্রবনি।

মরকসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিগা মরী লৈননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা দুরদর্শন অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিওদা ইলেক্সন কেম্পেইন তৌবদা অয়াবা পীখ্রে।

ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা, প্রসার ভারতি কোর্পোরেসনগী খুথাংদা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা নেসনেল পার্টিশিং অমদি শকখঙলবা ষ্টেট পার্টিশিংনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ব্রোদকাষ্ট অমসুং টেলিকাষ্ট তৌবগী অয়াবা অদু লৈরগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি ওল ইন্দিয়া রেদিও অমসুং দুরদর্শনগী রেজিনেল কেন্দ্রশিংদা লৈগনি। নেসনেল পার্টিশিং অমসুং রিকগনাইজ রিজনেল পার্টিশিংনা চপ মান্ননা ব্রোদকাষ্ট অমসুং টেলিকাষ্ট তৌবগী মতম মিনিট ৪৫ / ৪৫দগী হেনবা য়ারোই। ব্রোদকাষ্ট অমসুং টেলিকাষ্ট তৌবগী মতম অসি নোমিনেসন ফাইল তৌবগী অরোইবা নুমিৎ অমসুং ইলেক্সন তৌগদবা নুমিৎ নিনিগী মমাংদা তৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদনা মীখল তৌগদবা ষ্টেট মঙা অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা শেনবা চহিগী দিফিসিট তাখিবা ষ্টেট অসি উত্তর প্রদেশনা ওইরে। অদুগা মণিপুরনা হৌখিবা চহি ২০০৯-১০ খক্তদা লুপা ক্রোর ৭৩৩ দিফিসিট তাখি হায়রি।

উত্তর প্রদেশনা শেনবা চহিগী ওইনা লুপা ক্রোর ২০,৫১৩ দিফিসিট তাখি। অদুগা মসিগী মথংদা পঞ্জাব লুপা ক্রোর ৬,৬৯০ দিফিসিট তাখি। মণিপুরগী ওইনদি দিফিসিট তাবগী চাং য়াম্না নেমখি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহি ২০০৮-০৯ দা লুপা ক্রোর ২১৭ দিফিসিট তাখিবা অদু ২০০৯-১০ দা লুপা ক্রোর ৭৩৩ য়ৌখি। ষ্টেটশিং অসিগী মখোয় মখোয়না লাকখিবা রেভিন্যুশিং অদু কর্ম্মচারিশিংগী তলব, পেন্সন, ইন্টরেষ্ট পেমেন্ট অমসুং সবসিদিশিং পীবদা চাওনা দিফিসিট তাবনা সেন্টরদা দিপেন্দ তৌরি হায়না এসোসিয়েসন ওফ দিমোক্রেটিক রিফোর্মসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।